# ৯শুবা কংলৈপাক চৈবী য়েন্দম্নবদা লম্লাইনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস):

৯শুবা কংলৈপাক চৈবী য়েন্দম্নবা ২১ মার্চ তাং ২৮দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসন (এ এম সী এ) অমসুং জেম পব্লিক স্কুল পৌরাবিনা ওর্গনাইজ তৌবনি অমসুং কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না স্পোন্সর তৌবনি। য়েন্দম্নবা অসিদা লম্লাইগী টিমনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা ১০শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ২০২১ এন্দ ৯শুবা ষ্টেট লেভেল চৈবী য়েন্দম্নবা ২১ খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ অমদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ফোর্মর স্পিকর টিঐচ লোকেশ্বর; নেসনল পঞ্চায়ত এৱার্দি অমদি ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধাণ পুখ্রম্বম সুরবালা; পৌরাবি পার্ট-১গী মেম্বর য়াম্বেম নাওবী; পৌরাবি পার্ট-২গী মেম্বর ক্ষেত্রিময়ূম সোমেন্দ্রো; য়ু সী এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওক্রম মংলেম; ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট; ফিল্ম এক্ট্রেস নেসনল এৱার্দী তোনথোই লৈশাংথেম; স্কুল মেনেজমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি জেম পবিন্লক স্কুল পৌরাবীগী মেম্বর ৱাহেংবম হেমন্ত অমদি স্কুল মেনেজমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী এদভাইজর এল সী অচানবনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা টিঐচ লোকেশ্বরনা থৌরমগা মরী লৈননা হায়খিবদা, চৈবী য়েন্দম্নবা অসিনা খুন্নাই অসিগী য়াওশঙদা অরানবা লম্বী অমদা চৎখিগদবদগী খরদং ওইরবসু নহারোলশিংবু অচুম্বা পুন্সিগী লম্বীদা পুবা ঙম্লে। লমদম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা ইনাৎকী মশান্না অসি য়াখৎমিন্নসি হায়না থমখি।

ইপাক অমসুং য়ু সী এমগী প্রসিদেন্টনা হায়খিবদা, সগোল কাংজৈ য়াওনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিং লমদম অসিগী ইপানাৎ-ইপুনাৎকী মশান্নাশিংবু য়োকখৎপীনিংবা মীয়াম্না শীনবীয়ু হায়দুনা হায়জরকপা লৈরে। মসি ঐখোয় পূম্বনা য়োকখৎমিন্নসি। লন্নাই লুপ অমত্তনা মীয়ামগী মতেং য়াওদনা হোৎনবা হায়বসি ওইথোক্তবনি । য়েন্দম্নবা অসিগী হুম্নিশুবা হায়বদি মার্চ ৩০গী নুংথিল পূং ২.৩০ তাবদা পৌরাবি য়াইফ নহারোল কাঙলুপকী প্রসিদেন্ট কে রোনেন, ইমোইনু কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং নেসনল এৱার্দী এন সুনিন্দ্রো; এদ্যুকেসন (য়ু)গী প্রো: ৱাহেংবম সনাহনবা; রিটায়র্দ সুবেদার মেজর ইন্দিয়ান আর্মি এন্দ স্কুল কম্মিটিগী মেম্বর জেম পব্লিক স্কুল পৌরাবিগী ওক্রম মংলেম প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসন এ এম সী এনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ মনুংদা পাঙথোকপা চৈবী য়েন্দম্নবা ওইবনা মহৈরোয়শিং য়াম্না শরুক য়ারোইদ্রা হায়দুনা পানখিবনি। অদুবু মমাঙদা শরুক য়াখিবদগী হেন্দোক্না হন্দক্কী চহীদা মহৈরোয়শিং য়াম্না লাকপদগী মার্চ ৩০ দা লোইশিনবা ঙমখিদে।

মখা তানা মার্চ ৩১ ফাওবা থৌরম মখা চথুখি হায়না ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসনগী সেক্রেটরি হেমজিৎনা থমখি। থাইদোক্না ইনাৎকী মশান্না য়োকখৎপা পান্থীবা লমদম অসিগী মীয়াম, ওজা, মহৈরোয়শিং খ্বাই পূম্নমকপু শীন-লাংলিবা এ এম সী এ অমসুং জেম পব্লিক স্কুলা পৌরাবিগী মহুৎ শিল্লগা থাগৎচরি অমসুং ইকায় খুম্নজরি হায়খি।

লম্লাইগী টিমনা পূন্না গোল্ড মেদল ৪, সিলভর মেদল ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৪ ফংলগা পূন্না মেদল ১৪ ফংদুনা অপূনবা পোইন্ট ৪০দা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। অদুগা মীসিখোল-এনা গোল্ড মেদল ১, সিলভর ২ ফংদুনা পূন্না পোইন্ট ১১ ফংখিবগা লোয়ননা টিমগী রন্নর্স অপ তাখি। অমরোমদা, এম আই পি সী এগী টিমনা গোল্ড মেদল ১, সিভলর মেদল ১ অমসুং ব্রোঞ্জল মেদল ২ ফংদুনা অপূনবা পোইন্ট ১০দা টিমগী অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

# অহানবা ককচীং কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ য়াইসা এফ সীনা ৱিন্নর ওইখ্রে




ককচীং, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস):

য়াইসা ককচীংনা শীন্দুনা য়াইসা স্পোর্টস এরেনা, ককচীংদা টিম ২৬না গ্রুপ ৮ থোক্না খায়দোক্তুনা চথুরক্লিবা অহানবা ককচীং কপ ২০২১ টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর য়াইসা এফ সী ককচীংনা ওইখ্রে। মরুপ এফ সী রন্নর্স তাখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এও এ, এম রামেশ্বরনা অথোইবা মীথুং অমসুং খা মণিপুর কোলেজ (পার্টনর য়াইসা স্পোর্টস এরেনা)গী প্রিন্সিপাল পি রঘুনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা য়াইসা এফ সী ককচীংনা মরুপ এফ সী হৈরোকপু পাঞ্জল ৯-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরগী ট্রোফি অমদি শেল ওইনা লুপা ৫০,০০০গী মনা ফংখি।

মরুপ এফ সী হৈরোকনা রন্নর্সগী ট্রোফি অমদি শেল ওইনা লুপা ৩০,০০০গী মনা ফংখি। অহুমশুবা মফমগীদমক হাওপা এফ সী ককচীং অমদি লমজিংবা এফ সী কৈরেক অনীনা শান্নখিবা মেটচতনা হাওপা এফ সীনা লমজিংবা এফ সীবু পাঞ্জল ১০-০দা মায়থীবা পীদুনা লুপা ১০,০০০গী শেলগী মনা ফংখি।

# চহী ২০গী মতুংদা জর্মনিগী ফুটবোল টিম ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়রদা য়ুম্বু ওইরগা অহানবা ওইনা নোর্থ মেসিদোনিয়াগী মখুত্তা ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে, ফ্রান্সনা বোসনিয়া হর্জিগোভিনাবু থোইদুনা গ্রুপ দিদা অনীশুবা টিমদগী পোইন্ট ৪ হেল্লগা মকোক ওইরি





বর্লিন, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী):

এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা কটারগী কোনুং দোহাদা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইবা য়ুরোপকী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টকী গ্রুপ জেগী মেটচ অমদা ঙরাং ৱর্ল্ড কপ অসিগী টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা জর্মনিগী টিম্না য়ুম্বু ওইরগা শান্নবা মেটচ অমা চহী ২০গী মতুং অহানবা ওইনা নোর্থ মেসিদোনিয়াগী মখুত্তা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে। অদুগা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদনা ফ্রান্সনা বোসনিয়া এন্দ হর্জিগোভিনাবু ১-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুগী অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা য়ুক্রেনদগী পোইন্ট ৪ হেন্দুনা মাংজিল থাদুনা লৈবা ঙম্লি।

ঙরাং অথেংবদা জর্মনিনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি দুইজবর্গতা লৈবা এম এস ভি এরেনাগী শান্নখিবা য়ুরোপিয়ন ক্বালিফিকেসনগী গ্রুপ জেগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা হাফ অদুগী অপীবা মিনট ৪৫ লোইশিনবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে অদুবু ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা নোর্থ মেসিদোনিয়াগী ইনিস বার্ধিনা পীরকপা বোল অমদা গোরান পান্দেবনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মখোয়না জর্মনিবু ১-০দা মাঙজিল থারগা হাফ অদু লোয়শিনখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা জর্মনিগী ফুটবোল টিম অদুনা অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা নোর্থ মেসিদোনিয়াবু লাকশিনবা হৌরকখি। শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা জর্মনিগী মায়কৈদগী ইলকে গুন্দোগননা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং গ্রুপ জেগী ওইনা হান্না জর্মনিনা মেটচ অনী শান্নবদা পোইন্ট ৬ ফংলগা অর্মেনিয়াগা লোয়ননা পোইন্ট মান্নদুনা লৈরম্বনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী মখা চথুরকপদা শান্নবগী লেমহৌবা পুংখায় ফাদ্রবা মতম অদুদা নোর্থ মেসিদোনিয়াগী শান্নরোয়শিংসু অকনবা মওংদা জর্মনিগী শান্নরোয়শিং অদুবু লম্বা পীরকখি। মেটচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবা শান্নবগী ৮৫শুবা মিনটতা নোর্থ মেসিদোনিয়াগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা অরিজন এদেনিনা য়াম্না মফম চানা খায়দোরকপা বোল অমা টিমমেট এলজিপ এলমাজনা পাঞ্জল চন্দুনা জর্মনিবু মখোয়না ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

শান্নবগী লেমহৌরিবা মিনট ৫ অমদি ইঞ্জ্যুরি টাইমগী মতম খরা অদুদা জর্মনিগী টিমনা শোথুখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু মখোয় পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখি।

নীংশিংবা য়াবদি, জর্মনিগী টিমনা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা য়ুম্বু ওইরগা শান্নখিবা মেটচশিংগী মনুংদা কুমজা ২০০১দা ইংলেন্দগী মখুৎতা পাঞ্জল ১-৫দা মায়থীবা নংখিবা অদুগী মতুং ঙরাং নোর্থ মেসিদোনিয়াগী মখুৎতা মায়থীবা নংবা অসিনা অহানবা ওইরিবনি।

গ্রুপ অদুদা অর্মেনিয়ানা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা রোমানিয়াবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ জেগী ওইনা মেটচ ৩ শান্নবদা ৩মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৯ ফংবগা লোয়ননা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অর্মেনিয়াগী মায়কৈদগী সোলিসিয়ন হেরোয়ান অমসুং বর্সেগ্যাননা পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা রোমানিয়াগী মায়কৈদগীনা সিকাল্ডোনা পাঞ্জল ২ চনখিবনি।

য়ুরোপিয়ন ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ দিগী ওইনা ফ্রান্সকী টিমনা য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা বোস্নিয়া এন্দ হর্জিগোভিনাবু পাঞ্জল ১-০দা থোইরগা গ্রুপ দিদা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা য়ুক্রেনদগী পোইন্ট ৪ হেন্দুনা পূন্না পোইন্ট ৭ ফংলগা গ্রুপ অদুগী লুচিংবা ওইবা ঙমখি।

বোস্নিয়া এন্দ হর্জিগোভিনাগী সিটি সরায়েভোদা শান্নখিবা গ্রুপ অদুগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী এটেক পূম্নমক বোস্নিয়া এন্দ হর্জিগোভিনাগী শান্নরোয়শিংনা মতাং মতম চানা বোলশিং অদু ঙাকথোকপা ঙমদুনা অমদি ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিংঅদুনা পুশিল্লকপা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকহন্দনা লৈখি।

মেটচকী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা নাকল অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ফ্রান্সকী য়াম্না ফজবা মওংদা চথুরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা স্পেনগী ক্লব বর্সেলোনাদা শান্নরিবা এন্টোইন গ্রিজমাননা ৬০শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা বোস্নিয়া এন্দ হর্জিগোভিনাবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মেটচকী লেমহৌরিবা পুংখায় হেনবগী মতম অদুদা বোস্নিয়া এন্দ হর্জিগোভিনাগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। পূন্না ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিংনসু মখোয়না চনখিবা পাঞ্জল অদু মখা তানা হাপচিনবা ঙমদনা লৈখিবদগী গ্রুপ দিগী মেটচ অদুদা ফ্রান্সনা বোস্নিয়া এন্দ হর্জিগোভিনাবু ১-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুগী ওইনা পোইন্ট ৭ ফংলগা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

মরক অসিদা গ্রুপ দিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুক্রেন অমসুং কাজাখষ্টান লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু য়ুক্রেনগী মায়কৈদগী ও জিনসেনকোনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট রোমান য়ারেনচুকনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ১৪ চঙশিল্লকপদা য়ুক্রেনগী মায়কৈদগী অজাট নুরগালিফনা পীরকপা বোলদা এস মুঝিকোবনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনী ১-১দা মান্নদুনা লৈখি। মেটচকী মখা তারকপদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী দ্রো চৎখি। ফ্রান্সনা মেটচ ৩ শান্নবদা ১ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা গ্রুপ অসিগী ওইনা মকোক থোংদুনা লৈরি।

গ্রুপ এফতা দেনমার্কনা ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ অদুগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ওষ্ট্রিয়াবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অদু ওষ্ট্রিয়াগী কোনুং ভিএনাদা লৈবা অর্নস হাপেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবনি। মেটচকী অহানবা হাফ টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা মান্ননা শান্নখিবদগী পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লৈখি। মেটচকী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ৫৮শুবা মিনটতা দেনমার্ককী মায়কৈদগী থোমাস দেলানেনা পীরকপা বোলদা এ এস ওলসেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মখা তারকপা মেটচ অদুগী ৬৩শুবা মিনটতা দেনমার্ককী অতোপ্পা এটেক অমদা দেলানেনা অমুক্কা হন্না পীখিবা বোল অমদা জোকিম মেলেনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। মিনট ৪গী মনুংদা দেনমার্ককী হোইসবর্গনা মহাক্কী টিমমেট ব্রাট ৱাইটেনা পীরকপা বোলদা শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা ওষ্ট্রিয়াগী মথক্তা দেনমার্কনা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি।

শান্নবগী মখা চথুরকপা ৭৪শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা দেনমার্ককী এ এস ওলসেননা টিমমেট হোইসবর্গনা পীরকপা বোলদা মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা গ্রুপ এফগী ওইনা মেটচ ৩ শান্নবদা ৩মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৯ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

গ্রুপ অদুগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা স্কোটলেন্দনা ফেরো আইলেন্দসপু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখি। লোয়ননা গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদনা ইজরেলনা মোল্ডোভাবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইবা ঙমখি।

গ্রুপ আইগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ইংলেন্দনা পোলেন্দবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী মেটচকী ১৯শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা হেরি কেননা পাঞ্জল চন্দুনা পোলেন্দবু ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাফ অদু লোইশিল্লকপা ফাওবা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদে।

অনীশুবা হাফতা পোলেন্দগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা আর্কাদুস মিলিকনা পীরকপা বোলদা জাকুব মোদরনা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতম শাংনা অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈখি। মেটচ লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী জোন ষ্টোন্সনা পীরকপা বোলদা হেরি মেগ্যেরনা পাঞ্জল ১ চল্লগা পোলেন্দবু ইংলেন্দনা ২-১দা থোইদুনা গ্রুপ আইগী ওইনা ইংলেন্দনা মেটচ ৩দা ৩মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংবগা লোয়ননা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। হঙ্গেরিনা ঙরাং এন্দোরাবু ৪-১দা থোইরগা ২শুবদা লৈরি।

# সিদনি ষ্টেদিয়মদা কুমজা ২০২৩ ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি



সিদনি, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২৩দা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা পূন্না য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী সিদনি ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

লৈবাক অনীনা পূন্না য়ূম্বু ওইগদৌরিবা ২০২৩ ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ অসিগী ওইনা শান্নফম ষ্টেদিয়ম ৯গী মমিং অদু ঙসি লৈবাক অনীগী ফুটবোল ফেদরেসনগী অপূনবা ৱারোল অমদা লাউথোরকপনি। ৱর্ল্ড কপ অদুগী অহৌবা মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দগী সিটি ওকলেন্দনা লৈবা ইদেন পার্কতা শান্নগনি। লোয়ননা সেমীফাইনেল মেটচ অনী অদুসু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দ লৈবাক অনীগী ষ্টেদিয়ম অনীদা শান্নগদৌরি।

পনবা য়াবদি, ২০২৩গী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ অসি পুৱারীদা অহানবা ওইনা ফুটবোল কনফিদরেসন অনীনা পূন্না য়ূম্বু ওইমিন্নবনি। য়ূমথংনবা লৈবাক ওইমিন্নরবসু ওষ্ট্রেলিয়াগী ফুটবোল এসোসিএসননা কুমজা ২০০৬তা নুপাগী ৱর্ল্ড কপতা ক্বালিফাই ওইখিবদগী এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনদা য়াওখিবনি। মরম অদুনা ওসিনিয়া ফুটবোল কনফিদরেসনগী ওইনা ন্যু জিলেন্দনা খ্বাইদগী মরুওইবা লৈবাক অমা ওইহৌরিবনি।

কুমজা ২০২৩দা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ অসি পূন্না টিম ৩২না শরুক য়াদুনা মমাংদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপশিং অদুদগী টিম ৮ হেনগৎলগা খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট ওইগদৌরি। কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা অকোনবা ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ অদুগী টাইটল য়ু এসকী টিমনা লৌখিবনি।

ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা জিয়ানি ইনফান্টিনোনা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদা নুপীগী ফুটবোলদা খ্বাইদগী ফজবা ৱর্ল্ড কপ অমা ওইরগনি হায়খি। ৱর্ল্ড কপ শান্নফম ওইগদৌরিবা ষ্টেদিয়মশিং অদুদি ওষ্ট্রেলিয়াগী এদলেদতা লৈবা হিনমার্চ ষ্টেদিয়ম, ব্রিজবেন ষ্টেদিয়ম, সিদনিগী ষ্টেদিয়ম ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং সিদনি ফুটবোল ষ্টেদিয়ম, মেলবর্নদা লৈবা রেক্টেঙ্গ্যুলর ষ্টেদিয়ম, পর্থ ষ্টেদিয়ম, ওকলেন্দগী ইদেন পার্ক, হেমল্টন ষ্টেদিয়ম, দুনেদিন ষ্টেদিম, ৱেলিংটনদা লৈবা টেৱাঙ্গানুইএতারা ষ্টেদিয়ম য়াওরি।

# তা খৌশাবগী ৱর্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস):

মমাঙ থাগী ১দগী থা অমা চুপ্পা ইম্ফাল কলচরেল একাদেমি, ক্যামগৈ খোইরোম লৈকায়না শীন্দুনা চথুরকপা তা খৌশাবগী ৱর্কশোপ কম প্রদক্সন মার্চ ৩০দা লৈকায় অসিগী কম্ম্যুনিটি হোলদা লোইশিনখ্রে হায়না ইম্ফাল কলচরেল একাদেমিগী সেক্রেটরি নামৈরাকপম দেবান সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, থৌরম অসি মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট দিরেক্টর, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ডা: এম মুহিন্দ্রো সিংহ, কে রতন সিংহ, প্রসিদেন্ট আই সী এ; টি জয়প্রকাশ সিংহ, রিটায়র্দ এস ও অমদি এন রোমিতা দেবী এসিষ্টেন্ট টিচর, লাইশ্রম মনি মেমোরিএল ইংলিশ স্কুলনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

ৱর্কশোপ প্রোগ্রাম অসিদা লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নুপামচা অমদি নুপীমচা ৩২না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা আর্টিষ্টশিং অসিনা তা খৌশাবগী দেমোন্সট্রেসননচিংবসু প্রোগ্রাম অদুগী শরুক অমা ওইনা উৎখি।

## মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস): থৌবাল কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা থৌদাম মমাঙ লৈকায়গী ইকোপ নিংথৌ থৌগল লুপনা শীন্দুনা ইকোপ নিংথৌ লাইবুংদা পাঙথোক্লকপা ১২শুবা য়াওশঙ স্পোর্টস মীট লোইশিনখিবগা মরী লৈননা মনা মথুমসু য়েন্থোকখ্রে। থৌরমদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখিবশিংনা হায়খিবদা, হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা থাদোক্তুনা শান্ন-খোৎনবলোমদা চঙশিল্লকপসে অফবা খোঙথাংনি হায়খি। মমাঙ থাগী ২৯দগী থাসিগী ১ ফাওবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিং পাঙথোল্লকখিবনি।

## খা-মণিপুর থাঙ-তা একাদেমিনা মকোক ওইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস):

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না শীনখিবা ৬শুবা কংলৈপাক থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ওইনা খা-মণিপুর থাঙ-তা একাদেমি পল্লেলনা গোল্ড মেদল ৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৩ ফংলগা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অসি মার্চ ২৭তগী চথুরক্লগা ঙসি ফাওবা পাঙথোকখিবনি।

# ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন অমসুং য়ু-১৭ গর্লস ফুটবোলগী ওফিসল খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা পুখাও অহল্লুপ্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা থা অসিগী ৪দগী হৌরগনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি মপূং ফানা পাঙথোক্নবগীদমক ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ওফিসল ১৪ খনখ্রে হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ওফিসলশিং অদুগী মনুংদা মেটচ কম্মিস্নরগী থৌদাং পুগদৌরিবশিং অদুদি এল ইবোহল, এস জেমস অমসুং কে এস ঐচ মোধুচন্দ্রনি। লোয়ননা রেফরিগী থৌদাং লৌগদৌরিবা ওফিসলশিং অদুদি এন ইবুংঙো, এল রোপেন, এল রাজা, কে অজিৎকুমার, টি ঐচ রোবিন, ঐচ অমরজিৎ, রঘু, এ দিলিপ, সন্তোশ, এস তোম্বী অমসুং মহেশনি।

# বেলারুস অমদি উজবেকিষ্টানগা শান্নবদা কান্নবা কয়া ফংগদৌরি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী):

নুপীগী ফুটবোলদা ইন্দিয়াদগী হেন্না থাক ৱাংনা লৈরিবা উজবেকিষ্টান অমসুং বেলারুসকা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচশিং অদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা কান্নবা কয়া ফংলগনি হায়না কেপ্টেন ওইগদৌরিবী ইন্দুমথি কাথিরেসননা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী টিম অসি উজবেকিষ্টানদা ট্রেনিং চথুদুনা লৈরিবনি। থা অসিগী ৫দা য়ূম্বু উজবেকিষ্টানগা অহানবা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নরবা মতুং এপ্রিল ৮দা বেলারুসকা অনীশুবা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নগনি। হন্দক্কী ফ্রেন্দলি মেটচ অনী অসিগী মাংওইননা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিনা টর্কিদা সর্ভিয়া, রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগা ফ্রেন্দলি মেটচ ৩ শান্নখ্রবনি। হায়রিবা ফ্রেন্দলি মেটচশিং অসি ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২২দা য়ূম্বু ওইগদৌরিবা ৱিমেন্স এসিয়ন কপকী শেম শাবা ওইরিবনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com